# চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরে খোংজাই (কুকি) গী লম নত্তে

## মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি - খন্থমিন্নসি, ৱাখল তপথসি



— মুতুম শান্তি —
(শোখরবশিংদা কখোকচরি)

মমাঙঙৈ অহল-লমন্না থল্লম্বা হৌজিক্কী কুকি হায়রিবসি 'খোংজাই নাতৎ' হায়না কৌনরম্মী, খঙনরম্মী। থোল্লম্লিবা মিং অসিগী ৱাহন্থোক অসি ঐহাক্না খঞ্জবদা ঙাঙন-শক্লবা শুকয়া য়াদবা, মানা খনবনা ফরে খনবা জীব মখল অমনি। মীনা ঙাঙবা মুন্না তাদবা হায়বসি জঙ্গলদা লৈবা শাদগী হেন্না শাথীরবনি। খোংজাই খক্তা হায়রমদে 'নাতৎ' হায়না থোল্লম্বসি তরাইনা থোনবা ওইরমদ্রে। ফত্তবদা, মনা কনবদা ঙসি থোক্লিবা থৌদোকসিনা শাক্ষি ওইরি। হন্দক্কী মীতৈদা কুকি নাতৎশিংনা লান তৌরগা লম মুনগনি হায়বসি অপঙবা, অঙাওবগী চোইরোল ঙাঙবগুম্বনি। অঙাওবনা যূম মৈ থাবা চাকই হায়বদুমক্লি। কুকিশিং মীতৈলোলগী চেফোঙ অসি য়াম্না মুন্না কূপ্না পাবনি। ঙসিগী ঐনা ইজরিবা আর্টিকল অসি পাবীনবা তাইবঙ শেম্বা মপূদা নীজসি।

ঐখোয় মীতৈ খুন্নাইদি নুংতিগী ফোঙলিবা চেফোঙবু কাচিন য়ৌনা অয়াম্বা পাদে। খরদি পাবীরি। খোংজাই নাতৎশিংদি কূপ্না অমত্তা চিথদনা পারি। চেকশিনবসি ঐখোয়দগী মখোয়না হেল্লি। খন্থবীয়ু মীতৈ খুন্নাই খ্বাইনা। মীরায়বা মীকুপ্তা লৌশিং হেনগৎপনি, মাঙহনবনি। মাঙহনবা হায়বসি ময়েং তাবনি। হেনগৎপা হায়বসিনা তোংজবনি। মীওইবগী লৌশিংগী পুক্কৈদি হাপচিনবগী থনবা লৈত্রবা সমুদ্রগী ঈপাক্কা চপ মান্নে। লুরবা তানফমদা লাংবা তোকসি। ঈংনা ৱাখল খন্থমিন্নসি, লান অসি লোইদ্রি। মীতৈ খুন্নাইগী অহানবা খোঙথাংদি লান অসি লোইশিনবনি। অশিবগী, লুহোংবগী থৌদোকশিং য়ারিবমখৈ পীকশিনবীয়ু। তৌদবা য়াদবা খরনা পেনবীয়ু। থৌরম মপূশিংদা অইবীনা কোক নোন্না খুরুমজরি। মাঙদা তারিবা লান, মীতৈ উবদা হাৎকনি লাউরিবা কুকিশিং থুপচিনবনা ঐখোয়গী অহানবা ইথৌনি।

লানসি করম্না লাকশিনগনি। মীতৈদি হিংসাগী ৱাখল লৈবা নত্তে। হিংসা অসিদি কুকিশিংনা হৌরকখিবনি। মীতৈদি ইচম চম্বনি, কনাদসু অরানবা চত্তে। ফত্তবা হায়ববু লৈঙাক সাসন তৌনবা মীখলদা খনখিবা মীওইশিংনা মতম শাংনা হুরানবগী থবক চথরকপনা পূনশিল্লগা ঙসিগী অৱাবা অসি ওইরকখিবনি। মীয়াম্বু শেলনা লৈরগা লুচিংবা ওইরিবা, লাইরিক-লাইশু হৈত্রবা, খঙদ্রবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক লল্লোনবা কয়ানা লৈবাক অসি মরদ্ধ ফংনা মাঙহল্লি। মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সন মতম নকশিল্লকপদা তৌশিন্নরিবা ময়াম অসি মীয়াম ৱাখল তাবীয়ু, ৱাখল খন্থবীয়ু। করম্বা নেসনল দলনা পানবদা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌখ্রবগে? ঐখোয়বু ৱাহনখিবা ঙাক্তনি।

ঐখোয়গী ইরমদমসিদা নেসনল দল অমত্তা লৈহনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাও পূন্না লাউমিন্নসি। কুইমনখ্রে ঐখোয়বু, থেংনরসনু মীখলদা ইশাগী ইরমদমগী দল (লূপ) গী শক্তমদা। শেল য়েনবীরগনু, মীয়াম্নসু ৱাখল খন্থবীয়ু। অফবা মতিক চাবা মীওইশিং থোকপীরকউ। অফবা, মীয়াম নুংশিবা ইমা লৈবাক কনগদবা মীওই খল্লগা চপ মান্ননা শৌগৎমিন্নরসি। খূৎশেম হায়বসি মীওইবনা শেমজগদবনি। মীওইবনা শেম্বা-শাবা ঙমদবা করি লৈ মালেমদা। য়েক্লবা লাকপা খুদিংমক মায়োক্নরসি মীয়াম্না, থৌনা লৈবা লুচিংবগী মরুমদা। হন্দক্কী লৈঙাক সাসন তৌরিবা মীওইশিং খোঙ্গুল মুথৎলসি। মখোয়না তৌজবনা মখোয়না ফংজবনি।

ইচা ময়াম শিরিবসি মখোয়ননি। ইচাশিং অসি মমা ওইবী ঐখোয়গী ইফমদদি মণি মতুমনি। মচা কনাদসু মমানা লান চৎলু, মী হাৎলুচো হায়গদ্রা? লৈবাক ঙাক্লিবা ইচাশিংবু লান্মীনি হায়বা শুকয়া য়ারোই। মীতৈ খুন্নাইগী ইচাশিংগী মতু নাম্মা শোকপা য়ারোই। মমানা থা তরা নাওপুদুনা পোকপা ইচা নিংথৌরেল ঙাক্তনি। ঙসিগী লৈঙাক্না খঙগদবনি। ময়ূম মকৈ লৈতবা শাহিং-ঙাহিং চাবা খোংজাইশিংগা ঙসি মায়োক্নরিবসি লৈঙাক্না মতিক চাদবদগীনি।

মীয়াম খঙহন্দবা ওর্দর কয়া লৈঙাকশিংনা পীথোক্লম্মী। মীয়ামদা মীনম্বগী সাসন মতম শাংনা তৌরকপনা মে ৩, ২০২৩দা পোকখায়রকপনি। নেসনল দল মশীং ২২ লৈরিবসিনা মীচম মীয়াম্বু কয়াম য়াম্না নৈখায়বীগে খল্লিবনো? কংলৈপাক পোক্নফম লমদম্বু করম্বা মপানগী মীতোপকী দলনা ঐখোয়বু নুংশিবীগনি। মমাঙথক্তগী উদুনা লাক্লবা শক্তম্বু ইরমদম অসিগী খুন্নাই পূম্নমক্না খঙবা ঙমখিদে। মীতোপকী দলশিং অসি লৈঙাক সাসন তৌবদা ঐখোয়বু করি নুংশিবীগনি খনবগে? বি জে পি, কোংগ্রেসনা পাল্লিবা মণিপুরনি। দল অনীসিনা পানখিবা, পাল্লিবা মতমদা ইচা মশীং খঙদনা হাৎখ্রে। লায়রবগী থাদরকপা শেনফম কয়া হুরানখ্রে।

য়েংবীয়ু মখোয়না লৈরিবা লম ময়াম, দুকান প্লোট, লৌ-ইঙ্খোল মণিপুর অসি তঙ্খাই অমদি মখোয়গী ওইরি। অফবা কনাবু য়াওরিবগে? মীয়াম্বু উনশা খোক্তুনা শেৎলগা ঈ থকপা, শাহিং চাবা জীবগুম্বনি। অতোপ্পা নেসনল দল ময়াম অমসু ঙাইদুনা লৈরি। মীয়ামগী উনশা খোক্লনবা, মীয়াম মীকপ থোক্লসি। নেসনল দল অমত্তা ভোট লেপ্পা য়ারোই হায়বা খোল্লাওনা মায়কৈ থুংনা লাউরসি। ইমা লৈবাকসিদা লৈবীরিবা ইপা-ইপু, ইবুং-ইপ্বা মীয়াম্বু নুংশিবা, ইমা লৈবাক নুংশিবা লমদমসিগী মপারী অশেংবা থোকপীরক্তুনা ইমা লৈবাক কনবীয়ু। ঐখোয় পূম্বগী অশেংবা থম্মোয়দগী থোরকপা ৱাখলনা ইমা লৈবাক ঙাকপীয়ু, কনবীয়ু। থম্মোয় মোৎপগী চান্না করিগুম্বা পাম্বৈ লৈতে মালেমদা।

মপানথোংগী অমোৎপা খুদিংমক চামথোক্লবা ঈশিং লৈ। থম্মোয়গী অমোৎপদি ঈশিংনা চাম্বা য়াদে। লৌনীংবা, চানীংবা, মীনম্বা ঙাঙবা, হুরান-চিন্থি, মীহাৎ-মীপূন কয়া চথরিবা মীওইগী থম্মোয়দি করিনা চামগনি। মশাগী খোঙচৎ, ঈজৎপু ইকায়খুম্নবা মীওইশিংনদি অসিগুম্বা থবক থৌরম পাঙথোক্লোই। মরম অদুনা প্রমান হায়ববু লৈঙাক্কী সাসন তৌহল্লুবা হঙ্গোইরবা ফম্নাইবশিংনা ময়েক শেংনা মীয়ামদা উৎলি।

মীয়াম ঐখোয়না ৱাখল খন্থহৌদবা, চেকশিলহৌদবা মীকূপ অমদা পূন্সিগী অমাঙবা ওইখিবা মতেক অমত্তং মীয়ামদা পাউদমজরি মদুদি ঙসিগী ওইরক্লিবা পাউদমনি। লমদমসিদা মীরেপ ওইগে হায়না চোংথোরকখিবা মীওইশিংগী থম্মোয়দা চেল্লিবা ৱাখল্লোন কয়ানা ইচম চমজবা মীয়ামদা চাউনা মীনল্লি। হায়নবা লৈ ক্বাক্লা ক্বাকনি, ৱাহোংনা ৱাহোংনি। পাউরৌ পাউতাক অসিনা মীওইবা ঐখোয়গী পূন্সিগী লম্বীদা চৈশু, চৈঙাক ওইদুনা হিংলমসি। খঙলবসু ৱাখল মুন্না খন্থরুদবনা চৈঙাক য়াওদনা হিংলি ঐখোয় ইরমদমসিদা। য়েলহৌমী, হৌরকমী ঐখোয় ঙসিদি রিফ্যুজি ওইরেদো। মসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাউনা শোয়রিবনি।

মীত্রং, মেজিক তৌবা হৈবা খরগী দ্রামানি। ঐনা হায়জনীংবদি ঐখোয়সি মীওইবনি। চাক-এঙ্গাং চাদুনা, ঈশিং থক্তুনা হিংলিবা তাইবঙ মীওইবনি। মী অমনা হেক্তা মচিন থিরগা, মীনম্বনা মাঙ থাদুনা লাক্লগা হেক্তা থাজরিবা করিগীনো? তৌশিন্নবগী তাৎ-পাৎকী লাংদা থুবীগনু। অপঙবদি ৱানা হিংবনি। নোংমদি শিগদবা মীওইবনা শিদ্রিঙৈদা ইশাগী পূন্সি খোঙচৎ অসি য়াম্না লুই। অফবা, অচুম্বা খক্তা ঐগী থম্মোয় নুংদা থল্লমসি। থবক ওইনা পাঙথোকমিন্নরসি। অৱাবা তারবা মীওইশিং, তোল্ল-তারবা মীমান্নদ্রবশিংগী থৌগল তৌরমসি। মসিনা তাইবঙ শেম্বা মপূগী থৌজাল ফংগনি। শেম্বীবা মপূনা য়ানবনি হায়দুনা ইরুজদুনা ফিশেং শেৎলগা, কৈথেলদগী মমল অতাঙবা ফজবা উহৈ-ৱাহৈ কৎপনা মপূমাবু নীংজবদু নত্তে।

মীয়ামদা উৎ চাইদুনা থম্মাইবিরিবা ৱাফম - কোংগ্রেসতা লৈরম্বা মীওই অমনা বি জে পিদা মশাগী কানবা য়েংদুনা চোংথোরকপদা, মাদি বি জে পি টিকেট ফংলে হায়দুনা মীয়াম হুপচিল্লি। মশানা মশাগী ঈজৎ য়োম্থোক্লি। মসি খঙলবা কেন্দিদেট অসিদা মমল য়াম্লবা মীয়ামগী শক্তি পীথোক্লি। শক্তিনা নমখিবগী মীকূপ অদুনা ঙসিগী ঐখোয়গী মীয়াম্না ফংলি। অসিখক্তা নত্তে, দল অমদগী অমদা চোংথোক চোংশিন তৌরিবা ময়ামসিদা করিগী মীয়াম্না মীৎ তাংবগুম পংথরিবনো? মখোয় পূম্নমক মীয়ামগী য়েক্লবনি কাউবীগনু। ৱাফম অসি অইবীনা হেক্তা হায়জিন্দুনা ইজবা নত্তে। মীয়ামগী মাংদা মতম শাংনা উদুনা লৈরবনি। ঐহাক ইশামক্কী ওইনদি হায়জিনবা, ওইদবা হায়বসি শুকয়া য়াজদে। চোংথোক চোংশিন তৌরবা কেন্দিদেট অদু ঐগী যূমদা চঙহন্দে। গেট লোনশিল্লি। ইকায়বা খঙদ্রবা কেন্দিদেটশিং অদুনা থোঙ হাংদোকপীয়ু হায়রকই। ঐনা য়াম্না থীনা চৈথোকখি, ঐগী থম্মোয়বু ঐনা খামজিনবা ঙমখিদে। ঐগী থোঙ্গাল মপাদগী শা-ষণগুম তানখিবা ঙাক্তনি।

মীয়ামগী লুচিংবা ওইগে থোরকপদা খদ্রক-মদ্রক তৌদুনা ঐখোয় মীয়াম্বু উশিৎ-থৌওইদবনি হায়না ইশামক্তি খঞ্জে। ঐখোয়গী নুংশিজরবা মীয়াম পুকচেল খোইজেল তিন্ননা ফৎত্রবা মীওইশিংদগী লাপ্না অমুক্তা হিংমিন্নসি কৈদৌবগে। তুংগী মীরোলগীদমক অফবা, অচুম্বা লম্বী শেম্লসি। ইমা লৈবাক্কীদমক ঐখোয় হিংলিবা নৎত্রা? ঐখোয় মীতৈ তুম্না হাৎলবসু নেসনল দলদা ঙাওরবা মীরেপ, সাসন পায়রিবশিংনা করিসু খন্থবীদ্রে, উবীরবা ঙাক্তনি। হুরানবগী শেলনা মরেপ থুম্লবসু মখোয়বু কনানা শক্ল-শোন্নবীগনি। অমাঙবা খ্বাইদগী নমথীরবা কয়াসিদগী ঐখোয় অমুক্তদি লাপ্না হিংলসি।

নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু ৱাবা য়াবা মখৈ ৱারক্লে। খরা ফগদ্রা হায়দুনা অওনবা পুরক্লবা হায়দুনা দেমোক্রেসিগী মরুমদা মীখল পাঙথোকপনা য়াইফবা ওইগনি খল্লুবদা ঙসি অমোৎপনা পীক থল্লে লমদমসে। অদুবু মীয়াম্না মপূনি। মীয়ামগী শক্তিদা কনানসু লাকচবা ঙমগদবা মীতৈ/মৈতৈ মীয়াম্বু লোইশিন্নবা খূৎলায় মালেমদা লৈতে। লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ ময়াম অসিগী মফমদদি মীতৈগী হৌরকফম, পোকফম্বু থৌওই উশিৎতবা য়াদে হায়বসি খঙহনবা মথৌ তারি। অকোয়বগী ফীভম অসি য়েংলগদি হন্দক্কী তুংদা অমুক হন্না থোরক্তনবা ঐখোয়না পূনশিন্দুনা, চেকশিন ৱারোল অমা ইথোক্তুনা থল্লসি। অইবা ৱারোল ফূরুপ খুদিংদা পীগদবনি। মীয়ামগী ৱারোল ময়েক্তি খুন্দামিন্নরিবা খুদিংনা ইনগদবনি।

মীয়াম্না হায়বা ইন্দ্রবদি লমদমসিদগী লাপ্না লৈখিনবা ৱারোলদা ইগদবনি। আইন হায়বসি মীনা শেম্বনি। হন্দক্কী লানসিদা বি জে পি লৈঙাক্না মীতৈ মীয়ামদা থল্লিবা মীৎয়েং অসিনা মীয়ামগী পূক্নিংদা করি খনবীরিবগে? ইরোমদোম থম্মোয় শেংনা হিংজবনা অপাম্বা ওইরব্রা? নৎত্রগা মীরমগী, মীতোপকী, মপানগী দলদা অমুক পঙথরগা ঐখোয়বু হিংখিসিরা? নেসনল দলনা কাবা তারবদি মীতৈ ঐখোয় খোঙ্গুল মাঙখ্রগনি হায়জরি। অইবীনা মীয়ামদা নোল্লুকচরি। মীখা পোন্না হিংগদবগী শরুক ইরোমদোম লৈঙাকচরসি, হিংজরসি। ইমা লৈবাক কঞ্জবনা ঐখোয় খ্বাইগী ইথৌদাংনি।

মীয়াম্না কুকিগী 'সূ' অমসুং কুকিবু হৌরকমীনি হায়না ওর্দর থোকখিবা 'এক্সত্রাওর্দিনরি গেজেট নোটিফিকেসন' ককথৎলসি। অদুগা লান লোইশিল্লগনি। খুরুমজরি ইরৈচাশিং। ●

# পাবীয়ু নৈনবীয়ু, লান লোইশিন্নবা হোৎনবীয়ু

- এলাংবম মনিহার (রোমেস) -

মণিপুরদা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা (মীতৈ অমসুং কুকি) থোক্লিবা লান অসি জন্যুৱারী ২, ২০২৪দা থা ৮ মপূং ফারে। লান অসি ঙসি ফাওবদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা নিপা থোকপা অমত্তনা হোৎনবিদে। হোৎনবগী মমিসু ঙসি ফাওবা উবা ফংদে। লান অসি হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী কুকিশিংনা মীতৈগী যূম মৈ থাবা, নোংমৈ, থাঙ শীজিন্নদুনা মী হাৎপা তৌরকপদগী মীতৈশিংনা খূৎলায় পায়দ্রবসু অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্তুনা হাৎন-শুনবদা মায়কৈ অনীমক্তা অশি অনা কয়া য়াওখ্রে। মসি পূম্নমক কনানা থোকহল্লিবনো হায়বদু লান হৌগৎলকপদদি কুকিশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী শাগৎলকপা অনীংবা অমগা লোয়ননা মীতৈ মখৈ হাৎতোক্লগা মণিপুর অসি মখোয়গী ওইগে হোৎনরকপনি হায়বদা লাল্লোই খঞ্জে। অদুবু থা ৮ হেল্লবা ফাওবদা লান লোইশিনবা ঙমদবা হায়বসি কুকিশিংবু শৌগৎপা লৈবাক্কী চূপ্লি পায়বা কয়া লৈরে হায়বসি মশানা তাকচরবনি।

মতাং অসিদা কুকিশিংগী মফমদা অইবা ইশানা ফোঙদোকচনীংবা ৱাফম খরা থমজরি মদুদি কুকিশিংনা পাল্লিবা অনীংবশিং অদু লৈবাক্কী চূপ্লি পায়রিবশিং অদুগা পোলিটিকেল দাইলোগ তৌবীরগা অনীংবা অপাম্বশিং অদু ফংননবা হোৎনবীয়ু। মীচম মীয়াম খরা হাৎলগা কুকিশিংগী অনীংবা অদু থুংবা ঙমগদৌরিব্রা? মণিপুরদা হান্নদগী মীতৈগা লৈমিন্নরকপা কুকিশিংনা নখোয় নখোয়গী মীতৈ মরুপশিং অদু মরক-মরক্তা শোয়দনা নীংশিংলমগনি; ঐখোয়সু কুকি মরুপশিংবু নীংশিংই অদুম্মক নুংশিবা ফাওই। নখোয়না চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, মোরে অমদি অরাপ-অরাপ্পা চীংগী খুলশিংদা ননীং তম্না লৈবদা মীতৈনা অয়েৎপা পীখিবা লৈব্রা? পীরম্লোই হায়না খল্লি। হোয়, নখোয়গী অপাম্বদা গভর্ণমেন্টনা লোগী মতুংইন্না অয়েৎপা পীরম্বদি য়াই। মদুসু গভর্ণমেন্টতা তাইনগদবনি, মীচমদা তাইনফম থোক্তে খল্লি।

মীচমদা তাইনরকপদগী কুকি ইচিল-ইনাও, ইমা-ইচা, মহৈরোয় কয়াসু অৱাবা অসিদা শরুক ফংলি। মসি পূম্নমক নখোয়সু খন্থবা ঙম্বা তাইবঙ মীনি। নখোয়গী অপাম্বা অদু পীবা ঙমগদবা চূপ্লি পায়রিবা অঙম্বশিংদা তাইনবীয়ু। পাম্বৈ লৈজদ্রবা ঐগুম্বা অমা হাৎলগা নখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অদু ফংগনি খল্লগা চথরিবা লানলা হায়না হংজনীংই। মরমশিং অসি লৈবনা অনৌবা চহী ২০২৪না লাকপদা মণিপুরদা লৈমিন্নবা ঐখোয় খুদিংমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্নদুনা হান্নগী মণিপুর অদু অমুক পুরকপদা নখোয়গী থৌদাং পূম্নমক চাউনা লৈ হায়বসি ঐগী থাজবনি। মরমদি মীতৈনা কুকিশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা লান্দাখ্রে হায়বা থা ৮ অসিগী মনুংদা তাখিদ্রি। অদুনা লান লেপ্লগা অনৌবা চহীগী অফবা ফল পুরকপা হায়বসি মণিপুরদা হান্না লৈরকপা মচিন তোংবা কুকিশিংগী থৌদাংনি হায়না থমজগে।

মতাং অসিদা মীতৈগী পাউরৌ অমা নীংশিংলকই মদুদি 'হুন্নরবদি লৈতুম ৱাত্তে' হায়বসিনা মরম ওইরগা লৈতুমশিং অদু লৌথোকখিবনা মরম ওইরগা মফম অদু কুৎহৌগনি অদুনা অমাঙবা হায়বদু ওইগনি হায়বনি। সিক্যুরিটিশিংনা ওপরেসন চথদুনা খূৎলায় কয়া ফাগৎলবসু লান অসি লেপহনবা ঙমগনি হায়বসু থাজবগী ৱাংমদা লৈ। মরম অদুনা মালেম্না কিনরিবা ইন্দিয়ান ফোর্সনি, মখোয়না লান লেপহনগে, শান্তি পুরক্লে হায়রবদি চীং-তম অনীমক্তা পায়রিবা খূৎলায় পূম্নমক টার্গেট দেট অসুক ফাওবগী মনুংদা অকক্লবা মফম-মফমদা দিপোজিৎ তৌগদবনি নৎত্রবদি মথংগী নুমিত্তগী ইন্দিয়ান ফোর্স মশীং লাকঙমদনা থাজিল্লগা নৈখায়রগনি হায়না ওর্দর থোকপদা শান্তি পুরক্কনি খল্লি। মসি পূম্নমক সেন্টরগী মীৎয়েং মখা পোল্লি।

অমরোমদা অমুক হায়জরবদা মণিপুর অসিগী মপূ কনানো হায়না হংনীংই। মণিপুরগী মপূ অনী লৈ। অমনা সেন্টর গভর্ণমেন্ট, অনীশুবদনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক মপূ অনী অসিনা মণিপুরবু মণিপুর ওইনা অদুম থমগে নৎত্রগা তোঙান-তোঙানবা মমিং অমমম থোন্দুনা থুগাইগে হায়রবসু মপূ অনী অসিগী খূত্তা লৈ হায়জনীংই। সেন্টরগীদি মণিপুরবু অনী/অহুম থোকহনবদা মাঙজবা লৈতে। মরমদি ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা ষ্টেট হায়বদু অদুম্মক ওইগদৌরিবনি। মাঙগদৌরিবদি ঐখোয় ফূরুপ খুদিংমক্কী ওইগনি। মরমদি মচেৎ-মচেৎ তাদুনা লৈহৌগদবা ফূরুপশিং অদু শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা য়ানরক্লোই। অচৌবা ফূরুপ্না ফূরুপ মচা-মচাশিং য়োৎশিনগে হায়রক্কনি। চাকথুং মতিক চায়-চাদে নীংদোন পোম্নরক্কনি। খৎন-চৈনবা, মীহাৎ-মীপূন তোয়না থোক্লক্কনি। মরমশিং অসি লৈবনা ঐখোয় পূন্না লৈমিন্নরিঙৈ মতম অসিদা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরনা ঐখোয় পূনশিনমিন্নরগা মণিপুর কন্নবা হোৎনসি হায়বগী মখাদা ফূরুপ খুদিংমক্কী মকোক থোংবা মীওই অহুম/অহুম নৎত্রগা মঙা/মঙা, মৈরা পায়বী লিদরশিং, সী এস ওগী লিদরশিং অমসুং লৈবাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পূনশিল্লগা মণিপুরগী অহানবা মপূ সেন্টরদা চত্তুনা মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় ফূরুপ খুদিংমক্কী অহল-লমন, ইমা-ইবেল, মহৈরোয় খুদিংমক হায়নীংঙাই লৈতনা য়াম্না ৱানরে অনৌবা চহীনা লাকপদা অৱাবা কোকহনবীরো হায়দুনা হায়জরুনবা অইবগী মায়কৈদগী থমজরি। য়ারক্ত্রগনা য়ারক্তবগী থোকপা অমা লাকচরগনি।

অসিগুম্বা য়াম্না চাউবা প্রোব্লেম কয়া অসি থোক্লক্ত্রিঙৈদা মণিপুরগী কুকিশিংনা মণিপুরগী ফূরুপ খুদিংমক্কা হান্নগুম্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা পূক্নিং ফাথবিদুনা অপাম্বা অনীংবা অদু পীবা ঙমগদবা মপূশিংদা তান্নবীয়ু। অনৌবা চহীনা লাকপদা ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নরসি। ●

# পান্দম

- য়েংখোম মোধুচন্দ্রা -

মতম অমগী মণিপুর লৈঙাক্কী সী এম ওইবিরম্বা এম কোইরেংনা লোক্তাক প্রোজেক্ট তৌরম্মী (পায়খৎলম্মী)। মতম কুইর-কুইরগা অমাঙবনা য়াম্লক্লে। ঈথাই বরাজ থিংখিবনা হান্না মীতৈ (মণিপুর) গী লৈজরম্বা ঙা মখল কয়া মাঙখ্রে। মীওই লিশীং কয়াগী পুকচাক ওইরম্বা হৈকক মাঙখ্রে। অকূৎপা লৌফমদা থারম্বা তাওথবী মাঙখ্রে। লৌফমসু মাঙলে, ইরোম্নুংদা লৈখ্রে। খোইদুম পাৎতা ফংলম্বা ফৌ, আল্লু, হঙ্গাম, হৱাই মখল কয়া, কোবি, তিলহৌ, চনম মাঙখ্রে। মাঙলিবা লৌফমশিংগী ক্ষেত্রিপুরোন পীবগী ৱাফমসু থম্বীরমদে। মতম শুরগদৌবা প্রোজেক্ট অসিবু মতম শাংদোকপগী ৱাফম লাক্লি, মীওই কয়ানা প্রোজেক্টকী মতম শাংদোকপা পাম্নদ্রে। মতম শাংদোকপগী কান্নবনা কয়াম্না, মতম লোইশিনবা পাম্বশিংগী কান্নবনা কয়াম্না, কনানা চুম্লিবা, কনানা লাল্লিবা।

অমরোমদা মতম অমগী মণিপুরদা পানখিবা লৈঙাক অমগী সী এম ওইবিরম্বা লিলোংদগী আলিমুদ্দিননা মতমদুগী অমদি তুংগী মীরোলগী খনবীরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমা কাঞ্চিপুরদা থম্বীরম্মী। মসিনা সী এম আলিমুদ্দিনগী পান্দম। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিগী য়ুদগী লাকপা ইনকম্না লৈঙাকসিগী চাওখৎ থৌরাংদা শীজিন্নবগী পান্দম। মীয়াম্না মশানা মশাবু ৱারকচবা ঙমদদুনা য়ুদা এদ্দিক ওইখিবা, মদুদগী ইমুং মনুংদা য়ুদগী চৈথেং ফংখিবা, য়ু লিটর লিশীং-লিশীং পুথোকপদা মৈ থারিবা উমংদগী শীঙ, চেকোনশিংদা থারিবা উমংদগীনা শীঙ, দেব কর্ম্মদা শীজিন্নরিবা শীঙ, পূম্নমক উমং মাঙথরকপদা অচৌবা অমা ওইরিবনি। ঙসি থারিবা উ চারাদু চহী কয়াদা শীঙ মোন অমা পুথোকপা ঙম্বগে। উমং লৈত্রবদি নোংজু-নুংশা, অঙৈং-অশা খল কায়রক্কনি। উমংনা মশা-মউ ফনা লৈরবদি ঈশিং নুংশিৎ অশেংবা ফংগনি। মদুগী ফনবনি মীয়াম্না য়ু থিংবগী থল্লিবা পান্দম। অসুক ফজখ্রবা মহৌশা ইমানা শেম্বীবা চীংলোন ৯না কোইশিন্দুনা শেম্বীরবা মণিগী লৈবাক মণিপুর, সনা লৈবাক মণিপুরবু মচেৎ ফক্কনি খল্লিবা কুকিশিং, অঙকপনি নখোয়গী ৱাখল। মীতৈশিংনা নখোয়দা করি লানখিবা য়াওবগে। নখোয়না মীতৈগী যূম কৈ কয়া মৈ থাদোক্তুনা উৎ ওনখ্রে। মীওই কয়া থিবা খঙদনা মাঙহনখ্রে। মতম মতমগী লৈখিবা লৈঙাকশিংনা শেমখিবা লম্বী, চীং লম্বীশিংদা আই ঈ দি বোম ফুম্লগা, মদু পোকখায়হন্দুনা মীসু হাৎপা, লম্বীসু থুগাইবা কুকি নখোয়সিবু করিগা-করিগা তোৎনরগা শারকপা মী মখলনো।

মীওই খুদিংমক্কী মশা-মশাগী ওইবা পান্দম অমমমদি লৈ। ফংবসু য়াওই, ফংদবসু য়াওই। নোংজু-নুংশা কিদনা থবক শূজবা, লায়রবসিদং ফনবা হোৎনজবগী কানবা ফংদ্রবদা মীওইদুনা তাইবঙ মপূদা তাইনৈ। ঐনা অসুক ৱানা শূ নোম্বসিবু করি অমত্তা কানবা ফংহন্দবা, অৱাবনা শংবাই, নুংঙাইবনা লাইতং। ঐবু অসুক ৱানা ৱানা পূন্সিসি লোইবা তারব্রা, করি লাইবক্লো, নোংদম্বা নঙনা ঐঙোন্দা তম্বীরিবসিবু করম্বনো। নহানমুক মপোক্তা করি পাপ তৌরুবনা হন্দক্কী মপোকসিদা অসুক ৱাহল্লিবা। মীওইপোক ঐখোয়সে নহালমুক মপোক, হন্দক্কী মপোক, হয়েংমুক্কী মপোক, মপোক অহুমসিবু কনানা খঙবা ঙম্বগে। নহানমুক মপোক - ইপা, ইমা, হন্দক্কী মপোক, ঐ (ইশা) হয়েংমুক্কী মপোক ইচাদু, ইচাদুবু মতিক চানা মহৈ মশীন তমহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা ওইরনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা- নহানমুক মপোক, ইপা ইমাদুনা লায়রবা হায়বদু ওইবদগী, হন্দক মপোক ঐসে ইহৈ ইশিন তমহনবসু ঙমদ্রে। ঐসু লায়রবা ওইরো, হয়েং মপোক ইচাদুসু লায়রবা হায়বদু ওইরগদ্রা।

অমরোমদনা, লাইরিক লাইশু, মহৈ-মশীন মতিক চানা হৈরবশিংনা লৈঙাক্কী থবক অমদা থল্লক্লি পান্দম অমদা। মপা চারুবা মীওইশিংনা ফংখি পান্দম। কনাগুম্বা অমনা সনা লুপা, লৈজবা লৌ-ইঙ্খোল য়োম্থোক্তুনা থবক অমগী পান্দম তম্লকপদা ফংদদুনা নীংবা কায়বা কয়াসু য়াওরমগনি। কনা অমনা অচৌবা থবক্তা থল্লুবা পান্দম ফংদ্রবদা, অমুক হন্থনা ময়ায় ওইবদা অমুক থল্লি পান্দম। মদুসু ফংদ্রবদা অনেম্বা থবক্তা অমুক ফংলবদি খন্দুনা থল্লক্লি পান্দম। মদুদসু ফংদদুনা তম্লুরিবা মহৈদু মহয় চাদবা য়াওরমগনি। কনাগুম্বা মীওই খরদনা থবক মচা অমা তৌরম্বদগী মশানা তৌরিবা থবক্তুনা অফবা ওইবদগী মথং-মথং প্রমোসন কারক্তুনা অচৌবা ওফিসর ওইখিবা য়াওদবা নত্তে। কুকিশিং নখোয়, মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুবনা..., মদুমক ওইরমদ্রবদি নখোয়....। কুকিশিং নখোয়না মীতৈ মীয়াম হাৎলগা মণিপুরগী মপূ ওইনবা খন্দুনা থল্লিবা পান্দম শুকফং ফংলোই। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮১

১) **''নুংশিবা থিবদা চৎলুরে কোয়না
পামজবা থিবদা চৎলুরে কোয়না
ইমা লৈবাক লৈরমদরে নঙগুম্বী...''** ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা ঈশৈ ময়েক ইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **''নুংগী খোঞ্জেল''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু?

৩) **''নোংমৈ অমসুং কলম''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **''স্বেট্‌লানা; ষ্টালীনগী মজাইবেম্মগী মঙনাইদ্রবা ৱারী''** হায়রিবা লাইরিকসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) **''বোলনা কোইথোক্লুবদা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।